ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯊꯥꯡꯖ, ꯖꯨꯂꯥꯏ ꯱꯴, ꯲꯰꯱꯸, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯲ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯱꯱꯱ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, জুলাই ১৪, ২০১৮, ইম্ফাল
৪২ শুবা চহী, ১১১শুবা মশীং

# মশা মথন্তা শিজবা

## ইন্দিয়াসু খুদোংথিনিংঙাই ওইবা ফিভমদা লৈরি

মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমদা থোকপগুম ইন্দিয়াদসু মীওই কয়া মশা মথন্তা শিজবগী থৌদোক থোক্লি। পোকঙমদনা পোকপা মীওই মপোক্তা মীওই কয়া মথন্তা শিজনবা থোঙথাং লৌরক্লিবসিগী মরু ওইবা মরমদি পুক্লিং-ৱাখলগী ওইবা লায়নানি হায়না ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসননা ফোঙদোক্লি। মেদিকেল সাইন্সনা চাওখৎলকপগী মতুং ইন্না মতম অমদা মমিং পনবা কিনরম্বা মহীক্লা থোকহনবা লায়না কয়া ইরাই লায়না লাকশিনবা ঙম্বগী ফিভমদা লাক্লে। কোলেরা, মলেরিয়া, দাইরিয়া, টাইফোইদ অমসুং অঙৌবা পকপনচিংবা লায়নাশিংদি লায়রদনা ঐচ আই ভি এইদ্‌সনা নারবা মীওইশিং ফাওবা করিসু তৌদবা মীশক অমগুম পুন্সি নুংশাংনা হিংবা ঙম্লে। নাকল অমরোমদা থম্মোয়গী লায়না অমসুং দাইবেটিসকুম্বা পুন্সি মহিংগা মরী লৈনবা লায়না নাবগী চাংদি অসুম-অসুম ৱাংখৎলক্লি। পুক্লিং-ৱাখলগী ওইবা লায়না নাবা মীগী মীশিংসু নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লি। লাইবক থিবদি ৱাখল-লায়না লৈরবা মীওইশিং মশানা খঙজদবগী মতাংদনি। মসিনা মরম ওইরগা লায়েংদুনা ফহনবা য়াবা মীওই কয়া পুক্লিং ৱাখলগী লায়নাগা শাগোন্নদুনা হিংলি। হিরানন্দনি হোস্পিটালগী কন্সলটেন্ট সাইকিয়াট্রিষ্ট দা. কেদর তিলৱেগী মতুং ইন্না ইন্দিয়াদা মীওই কয়া মশা মথন্তা শিজরিবসিগী মরু ওইবা মরম পুক্লিং-ৱাখলগী লায়নানা ওইহল্লকপনি হায়রি। মেদিকেল জর্নেল 'দি লেন্সেট'তা ফোঙলকখিবা ষ্টদিগী রিপোর্ট অমনা হায়খি, ইন্দিয়াদা পুক্লিং-ৱাখলগী লায়নানা নারবা মীওই মিলিয়ন ৫৭ লোম লৈ।

কনাগুম্বা মীওই অমদা মশা মথন্তা শিজনিংবগী ৱাখল ফাওহল্লক্লিবসি দিপ্রেসন, বাইপোলর দিসওর্দর, পোষ্ট-ট্রোমাটিক ষ্ট্রেস দিসওর্দর, বোর্দরলাইন পর্সনেলিটি দিসওর্দর, সিজোফ্রেনিয়া, ময়াই কাবা পোৎলম শীজিন্নবা, লোয়ননা বুলিমিয়া অমসুং এনোরেক্সিয়া নর্ভোসানচিংবা এঞ্জাইটি দিসওর্দরননি হায়না অখঙ অহৈশিংনা ফোঙদোক্লি। মতৈ-মনাও খাইনরবা মীওইশিং, মমাঙদা সুইসাইদ তৌনবা থৌরাং লুরবা মীওইশিং, ইমুংগী কনাগুম্বা মীওই অমা সুইসাইদ তৌখিবা, নক্লনা লোয়নরম্বা মরুপ মপাং সুইসাইদ তৌখিবা, পুন্সিদা ফিজিকেল নত্রগা ইমোশনেল নৎত্রগা সেক্স্যুয়ল এব্যুজগী চৈথেং ফংলকপা, ময়ুম মকৈ পাদবা নৎত্রগা থবক ফংহৌদবা, মতম শাংনা কুম লায়নানা নারবা মীওইশিং, মচিং-মশোন নাইবা অমদি ময়াই কাবা পোৎলম শীজিন্নবা হায়বসিসু মশা মথন্তা শিজনিংবা ফাওহল্লক্লবগী মরু ওইবা মরমশিংনি। ৱেকফিট দোট কোগী কো-ফাওন্দর অমদি চীফ ইগজেক্যুটিভ ওফিসর অঙ্কিট গার্গ লোয়ননা ফঙ্কশনেল ট্রেনিং ষ্টুদিওগী ফাওন্দর দেবরথ বিজয়না ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না অহিং তূম্বা য়াদবা নত্রগা তূমথরুবদগী মীৎকপ থোরক্লগা অমুক তূমথবা য়াদবা মীওইশিংদসু সুইসাইদ তৌনিংবগী ৱাখল ফাওহল্লকই হায়রি। জেপি হোস্পিটালদা বিহেবিয়রেল সাইন্সেসকী সিনিয়র কন্সলটেন্ট ওইবা দা. বৃনময় দাসকী মতুং ইন্না মালেমদা পুক্লিং-ৱাখলগী লায়নানা নারবা মীওই মশিং থীঙমদনা লৈ হায়রি। জিনগী অশোয়বা নত্রগা ন্যুরোট্রান্সমিটরগী খল কায়রকপনা পুক্লিং-ৱাখলগী লায়না ওইহল্লকপনি হায়না অখঙ-অহৈশিংনা ফোঙদোক্লি। ন্যুরোট্রান্সমিটর হায়বসি ব্রেনদা য়াওবা কেমিকেল সবষ্টেন্স অমনি। মসিগী খল কায়রকপা মতমদা মীওইবনা ৱাখল খনবগী মওং-মতৌ হোংলকই। মচি ওইবা চীঞ্জাক মচল শুনা চাদবা, কা হেন্না ৱাখল লাঙতক্লবা, ময়াই কাবা চীঞ্জাক নত্রগা য়ু শীজিন্নবনসু ন্যুরোট্রান্সমিটরগী খল কায়হন্দুনা পুক্লিং-ৱাখলগী লায়না ওইহল্লকই হায়রি। নুংনাংবা পোক্লিংঙাই ওইরিবা ৱাফমদি মণিপুর য়াওনা ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা মফমদা পুক্লিং-ৱাখলগী লায়নানা নারবা মীওই মিলিয়ন ৫৭ লোম লৈ হায়বা ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসনগী ৱাফম অসিনি। মসিনা মরম ওইরগা মীওই কয়া মশা মথন্তা শিজবগী চাং ৱাংনা লৈরি। পুক্লিং-ৱাখলগী লায়না অসি মশানসু খঙজদবা, অতোপ্পা মীনসু পাক-হেক খঙবা ঙমদবা মরম্না লৈঙাক্কী মরী লৈনবা লোইশঙনা হীরমসিদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙফম থোকই।

## ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

### লৈরক অমা শৈশক অমা হায়বদু ওইহনসি

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**হৌজিক্কী** মতমদা অয়ূক, নুংথিল, নুমিদাং খায়দনা মৈ থানবি টু হ্বিলরগী গাড়ীশি অতৈ লমদা থৌনবগুম মণিপুরদসু থৌহৌদবা য়াদে হায়বগী মতাগুম কন্না থৌগৎনরক্লি। য়াম্না লম্বী লমদাং ফবা, অফবা ত্রাফিক সিগ্নেল লৈবা, অচৌবা চাওখৎপা সিটিশিংদদি য়াম্না য়াঙনা-য়াঙনা ত্রাফিক্কী চৎনবী কাঙলোন অমগী মখাদা থৌনবনিনা, অসিগুম্বা গাড়ীশিং অসি থৌরক্লি হায়বসি গাড়ীগী খোঙজেলদগী হেন্না য়াঙলিবা মঙাল অসিদগী মাঙজৌননা ইরায় লায়না খঙবা ঙম্বদগী লম্বীদা থোকপা য়াবা খুদোংথীবগী চাং অদু হন্থহল্লি। অদুবু মণিপুরদদি লম্বী-লমদাংগী অমসুং ত্রাফিক্কী সিষ্টেমগী ফীভম ফত্তবনে, ত্রাফিক্কী চৎনবী কাঙলোন ইন্দনা অসিগুম্বা গাড়ীশিং থৌনরকপা মীওইশিংনা চৎনবী কাঙলোন ইঞ্জদুনা চৎচবা অমসুং থৌজরিবা মীওইশিংদদি খরা নীংথিনা চেকশিলহৌদ্রবদি মীৎ থকহন্নবগী মচাক অমগা য়াওশিল্লকপনিনা অৱাবগী মশক ওইহন্দুনা লম্বীগী খুদোংথীবা থোকহন্নীংঙাই ওই। মেদিয়ান য়াওদবা অচৌবা লম্বীশিং অমসুং লৈরক খুল্লক মচাশিংদদি মায়োক্লবা মায়কৈদগী লাকপা মতমদদি অসিগুম্বা গাড়ীশিং অসিনা হাই হাইদুনা সাইদ হেন্দোক হেঞ্জিন তৌরগা থৌরকপা য়াওবনিনা অমুক্কা হেন্না মীৎ থকহন্দুনা গাড়ীশিংগী খুদোংথীবা এক্সিদেন্ট অদু থোকহন্নীংঙাইগী মশক ওই।

খুদম অমতংগা হায়জরবদা, ইম্ফাল মনুংদা য়ূমজাউমুক চাউবা সিটি বস খরা চেল্লিবসিসু লমদম অসিগী লম্বী-থোং মতা অসিদা ৱায়োং ইচা চাদে। অসিগুম্বা অচৌবা বসশিং অসিনা লম্বীদা মমায় লৈনবা হোৎনরকপা নৎত্রগা খামজিন্দুনা সরক্কী অয়াম্বা শরুক কনশিনবগী তাঞ্জা অদু তেংনরুবদা ওন্থোক্লা অৱাবগী মশকনি। অসুম হায়না মপানগী লমশিংদা চৎনৈ তৌনৈ হায়দুনসু ঐখোয়গী চুং ফিরাল চাজদ্রিবা লমদম অসিদা হেক্তা চৎনহনবা নৎত্রগা তৌগনবগী হৈনবী অসিনা য়াম্না মরিং মরাংবা ওইনা থোকহল্লি।

অরোইবদা, মথক্তা পঞ্জরিবা ৱাফম খরা অসি মরী লৈনবশিংগী মফমদা থমজবগা লোয়ননা কদায় ফাওবা চুম্বগে হায়বদু খন্ন- নৈনবিদুনা মখা তাবা চপ চাবা থবক পায়খৎপীনবা হন্না হন্না নোল্লুকচরি।

*অদোমগী - ডা. এন জি মঙ্গি*
*সেগা লম্বী, ইম্ফাল ৱেষ্ট*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭৫

১। খোংজোম পর্ব্বগী শৈশক অসি মৈতৈশিংগীদি মুৎপা নাইররোইদবা শৈখল অমনি।
(ক) শৈশক অসি করম্বা নিংথৌগী সনা হাক্তক্তা শকপা হৌখিবগে?
(খ) শৈশক অসিবু ইহান হান্না শক্লম্বা শৈশকপা ওজাদু কনানো?

২। "থাজৌ ঐ মীনি/চাও, ঐবু চাও/...ঐ নঙগী চিঞ্জাক্লি/ঐবু চাও।" পরেংশিংসি খুন্দ্রাকপম ব্রজচান্দনা ইবা দ্রামা অমদগী লৌথোকপনি। দ্রামাদুগী মমিং হায়য়ু?

৩। "তীলোতমা, কাউরবরা নঙবু অদুঙৈগী সন্ধ্যা য়াচংবা মতুংদা ইবানি উনখিবদো?" পরেং অসিনা 'অফবা পৃথিবী' কৌবা উপন্যাস অমদগী লৌথোকপনি। অইবদু কনানো?

৪। "মতম মতম হৌখ্রবা মতম/লাইরৈবাক্কী অমম্বসিদা/হিংলকপনি নঙ/হিংলকপনি নুপী নঙ।" পরেংশিং অসিনা মেমচৌবীগী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু?

৫। 'ঐগী পুন্সিগী নীংশিংবা ৱা খরা' কৌবা নীংশিং ৱারীগী লাইরিক অদু কনানা ইরম্বনো? মমিং হায়য়ু?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ১৫, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# থাগৎপা

## ৱাইরু-ৱাইরুবদা



**থাগৎপা** হায়রিবা ৱাহৈ অসিগী ৱাহন্থোক অসি খৈবিক্লা খঙবরে। অদুনা ৱাহন্থোক অদুমদি পঞ্জরুদ্রবসু য়ারেনা লৌজরে।

চহী খরা অসিদা থাগৎপগী মওং মতৌ হোংলক্লি। ননাই ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈ পঙলাপ লাপত্রিঙৈ মতমদা থাগৎনবগী মওং মতৌগা হৌজিক হৌজিক তৌনরিবা থাগৎপগী মওং মতৌগা য়াম্না শাথিনা খেন্নরে। সমুদ্রগা লাংখোংগা খেন্নবদুগুম্বনি হায়বা য়াই।

মরম চাবা চাদবা, অফ-ফত্ত কূপ্না নৈনরগা থাগৎপগী মহুত্তা খুদক্তা ফৈ, চুম্মী হায়না হেক্তা থাগৎপা য়াম্না হেনগৎনরক্লে। ৱা অমা হায়বদা হেক্তা থাগৎপা, খূবাক খুগনবগী চৎনবী লৈরক্লে। খূবাক খুগদবগী য়া কাদুনা ঙাইবদু চৎনবী অমা ওইরক্লে। ৱা অমা হেক হায়দোরকপদা চুমগেরা লানগেরা, মরম চাগেরা চাউ, চারোই তোকউ, ধোন থিন্দুনা লাউ খোংদুনা জগোয় শাদুনা থাগৎপা ফোঙদোকপীরক্লবা মীসু য়াম্না লৈরে। তৌবীরক্কে তৌবীয়ু তৌবীরক্লোই তোকসনু তৌবীনিবু হেক হায়রবদি থাগৎচরগেদো হায়দুনা খুদাং তাখৎতুনা লৈবা কয়া অমা লৈহল্লক্লে।

চুম্না মীনা মশানা থাগৎপীরক্তবা ফাওবদা খূবাক খুরকউ, খূবাক খুবীরো হায়দনা মাইক্রোফোন পায়রগা ফম্পাক মথক্তগী লাওথরকপা মতাংসু থেংনখ্রে। থাগৎপীরগা হরাউজবা য়াম্না লৈখ্রে তৌবদংদি ঐসে থাগৎপদা মতিক চারিজাৎলা নৎত্রগা মতিক চাদ্রিজাৎলা হায়বদুনি শৈশক অমা ওইখ্রগা থাগৎপীদবা য়াদে হায়না খোঙজং চঙশিল্লকপা মানবসু হেক হেক য়াওরক্তবা নত্তে।

মসিগীসু মথক্তা, থাগৎকনবা হায়বা লায়নাসিসু নোংমা নোংমগী ঈশিং ঈচাউদু মঙায়রে। য়াম্না থাগৎপা পান্মকপা হায়বসিসু কৈনোমদি অদুম লৈবা মাল্লকপা তাবনি। করম্বা পোৎপু থাগৎপা য়াই। করম্বা পোৎপু ফৈ ফৎতে হায়বা অসি ঙমলক্তবা অসি ৱাখলগী খল অমা কায়রকপা নৎত্রগা ওইজনাম লৌজনাম পাল্লকপা, চানবীনবা তৌরকপদগীসু ওইবা য়াই, কিজবদগীসু ওইবা য়াই।

অমরোমদা মচা মশক ফজখিদ্রবা অদু ফজৈ হায়না থাগৎলকপদা হরাউবা অসিসু ৱাখলগী লমফৈ চৎলকপগী খুদম অমা ওইফম থোকই। থাগৎলেনা হেক্তা মোন্দা নুংঙাইরুবা য়ারমদ্রে।

মণিপুরদা, ঐখোয়গী লৈবাক্তা, ঐখোয়গী দিষ্ট্রিক্তা করি করি থাগৎপা য়াবা শিংথানবা য়াবা থবক তৌখ্রবগে? অঙাংশিংনা পরিক্ষাদা মিংচৎ পুরকপা, শান্নরোয় অঙাংশিংনা মেদল লৌরকপা অসি নত্তবা থাগৎপা য়াবা করি থবক চহী খরা অসিদা উবিখ্রবগে? থাগৎলুরগা মখা তাবদি করিম তৌরকপা লৈত্রে - পেটি, সোলর লেম্প, সী সী টি ভি, কয়লাস, এম দি এস, ফুমদি, দ্রগ ফাবা, নুপী রেপ তৌবা, নুপী হাৎপা, ৱায়র লেস সেটকী ৱাথোক লোইশিনবগী থাগৎকে হায়না ঙাইজরি। সিদ্যুল ত্রাইবকী, ঙমখৈগী আই এল পিগী, সিটিজেনসিপ বিলগী, তরেৎশুবা পেগী, হোম গার্দকী পেগী, ভি দি এফকী মতাংগী, চেঙ মাঙবগী কেরোসিন মাঙবগী পূম্নমক মফম মতাং চানা লোইশিনবীরক্লবদি হেক থাগৎচবদা খূবাক্কাসে কুরোল হুবা হায়বদু ওইদৌরিবনি।

থাগৎনীংবা পোৎখৈনা সুম থাগৎচবা ফংজদবা, থাগৎনীংদবা পোৎ ময়াম অমদনা থাগৎফম লৈতদনা অসুম থাগৎপা তারকপনি।

ঐনা থাগৎচনীংবা অমদি হন্দক থাইলেন্দগী থাম লুআং সুরুংদা শান্নরোয় ১২ অমদি মখোয়গী ওজাগা লোয়ননা ঈশিং থুমজিল্লক্তুনা থোরকপা য়াদবনা নুমিৎ কয়ানি মাঙদুনা লৈরুবা অদুবু কনবিখিবা দাইভর ময়াম অমদি রেস্ক্যু ওপরেসন্দা লৈখিদ্রবা দাইভর ওফিসর অদুনি। মখোয় তশেংনা থাগৎপা য়ারবা হ্যুমেনিটিগী থবক তৌবা মীওইনি, মখোয়না শিবা চঙবা তম্বা ঙমদনা হোৎনখিবা থৌদাং অদু তশেংনা থাগৎপা য়ারবা থবকনি। ঐখোয়গী শ্বাইগী ভোট ফংনবা মালহনবীদু নত্তে।

# লাই নীংগে হায়বরা লাই হরাওবা হায়ব্রা

**নবকুমার ওইনা**

"**লাই** নীংদ্রিঙৈদা লাই হরাউবা য়াব্রা? লাই হায়রিসিবু খঙনরব্রা? লাইসু খঙদনা পংখুদা খুরুম্বা, পংহাদা হরাউবা য়াব্রা? কনানা খঙলুদৌবনো, মানা-মানা থোকপা পংতৌদা তৌনবা ওইরমগনি। ইপা-ইপূ লাৎপা, ইপা-ইপূ হরাউহনবদি য়াম্না ফবা ৱানি। হনুরবা মমা-মপা পীজনীংদবশিংনা লাই হরাউবদা য়াওবা হৌনদে। ওল্ড এজ হোমদা অচাপোৎ য়েল্লিবসি উমং লাইদা হৈ-রা কৎপগা মান্নরিবনি, মনেম মকুদা পীজনীংদবা মৌশিংদি উমং লাইদা খুরুম্বা মহয় ফংলমদৌবা মান্দে।"

লাইগী ৱাসি পংঙাঙদা ঙাঙনবা তারে, খুরুম্বদু নীংবা কৌরিবরা খঙদে। ইমুংদা খুরুম্বা, লমহাংদা খুরুম্বা, লাইশঙদা খুরুম্বা ময়ামসি অমত্তবু মান্নদে। খুরুম্বসিদং নীংবা কৌবদি য়াগদৌবা মান্দে, লাইনীং অমা চৎলগা অতোপ্পা লাইনীংগী লাইদা খুরুম্বসু লৈ, খুরুমদবসু লৈ। লাইশিংসি অমগা অমগা মান্নে হায়রসু লাই অমদা হেক্তা খুরুম্মু য়াদবসু লৈ। লাইগী মিংদা কাঙলূপ খায়দোক্লবা য়ারিবসি মীয়ামসি মপূক ফখ্রবা হায়বা তারে। খায়দোক্লবা লোয়রবরা, লাই-কাঙলূপ খায়দোক্লরগা হাৎনবা কুইরবনি, হৌজিক ফাওবা হাৎনবা তোক্লদ্রিবনি। অদু ওইরবদি লাইসি অমত্তনি হায়বসি য়ানদ্রি হায়বা চুমগনি। লাইসি অমত্তনি হায়বসি মীওইবা পোকখিবা লাইশিংদুদি ওইররোই, মখোয়দি মান্নদে, মখোয়গী মতুং ইনবশিংনি হাৎনরক্লিবসি। লাইসি অমত্তনি হায়রিবসি লাই খঙদবা ওইগদৌরিব্রা? লাই তোঙান্নরিবসিনা চুম্বা ওইরগনা লাই অমতনি হায়বা লানবা তাবা, অমত্তনি হায়বসিনা চুল্লগনা লাই তোঙান্নরিবসি লানবা তাবদুনি।

লাই হরাউফমদদি লাই ময়াম লাকই হায়রি। শিংজু চাবা লাই ময়াম লাকপদু উবদি নত্তে। লাই অমতং লাৎপশিংগা লাই ময়াম লাৎপশিংগা লাই খঙবসি কনানা হেনগদৌরিবনো? অমখক ফাওবা খঙবা ঙম্বোয়-ঙমদবোয় তৌরিঙৈদা লাই ময়ামদু খঙবা অরায়বা ওইরোই। ফিল্মদা ফনা য়াম্নদি উনরবনি, লাই হায়বসি অশিংবা কাঙলূপ্না অপঙবা কাঙলূপ্তা মীনম্বীরগা কিহন-খংহনবা, থবক শূহনবা, মরল-মথুম খোমগৎপা, কৎহনবা, লম হেল্লুরগা হাত্তোকপীরিবনি। মদু পূম্নমক লাইনা তৌবা নত্তে, মীওই খরনা মখোয়গী অপাম্বদু তৌহনবনি, থাজহনবনি।

লাইবুংদা লাই হরাউবসি লাইরেম্মী-লাইরেম্বা হায়নবনা অয়াম্বনি। য়ূমগী লাইগা মমিং ফাওবা খেন্নবা মাল্লকই। অমুক্কসু লাইনিংথৌ হায়বসিদি মান্নবসু ওইবা য়ারিবনি। উমং লাইদি ইপা ইপূনি অমুক হায়রি। লৌ উই, পাম য়াল্লি, নুপী থিরি, ফি শারি। লৌ উবা লাইদুনা মালেমসি শেম্বদি অমুক মান্দে, নুমিৎ-থা থৱায়মিচাক শেম্বা লাইদুনা লৌ উবসি য়ানীংদ্রি। মশকসু উদে অতিংকোক্তগী হৌইশু হায়রি। হৌরক্লিবা অঙাংশিংদা পঙখুদা খুরুমহল্লগা লৈখায় তানা তাকপা য়াওদবসি অঙাংশিংবু অপঙবা শিবা, লান্না লমজিংবা তারক্কদৌরিব্রা। কাঙলূপ অমনা অঙাং খোমগৎলগা নোংমৈ কাপ্পা তম্বীবা য়াওরি, কাঙলূপ অমনা কম্প্যুটর তম্বীরি, মতম অসিদা পরিক্ষা চৎলমদাইদা লাইদা পংখুদা খুরুম্বা চুল্লিব্রা হায়বা হংনরকপা তাবনি। পংনবা ট্রেনিং পীবগুম্বনি।

লাই হরাউবসি লীলা-দ্রামা ওইগদৌরিব্রা? নুমিৎ মঙা-তরানি হঞ্জিন-হঞ্জিন চোঙবগা-ফনবগা, জগোয়গা ঈশৈগা ইমান মানৈ, মী ময়াম থবক ইশূ শূনদে। খোঙউপ শাফম অমদদি খোঙউপ ফনা য়াম্না শারল্লগনি। লাইবুংদ কোইথাং থাংলগা পুশিন্নরক্লিবা খোঙউপশিং অসিসু লাই হরাওবা য়াওবা লাকপা মাল্লকই। লম অতৈগী লাইদদি অউবা খুদিং খুরুল্লিবা ঐখোয়নি। ঐখোয়না মীগী লাইদা খুরুম্বগা ঐখোয়গী লাইদা মীতোপ্পা খুরুম্বগা য়াম্না খেন্নরি। পৈশা মাঙলি। লাইদা কৎলিবশিং অসিসু ঐখোয় ইশাগী ইয়াও য়াওদে। স্কুলগী য়ুনিফোর্মদু ইশানা শাবা ওইবা পাম্নরবদি লাইফিশিং অসিসু ইশানা শাবা তারকপা। লাই লাৎল-লাৎলগা থবক শূবা তন্নরকপা মাল্লক্লি। লেমজা চাবা পাম্নরকপা ওইবসু য়ারিবনি। মী নেক্লগা লাই শেন্নহনবা, মী নেক্লগা লাই খুরুমহনবা, লাইদা কৎপা পোৎশু মীগী লমগী অয়াম্বনি। মহয় ফংগদৌবদুসু নেক্লুবা মীগী খায়খিবা তারি, খায়গৎলিবা পৈশাদু অয়াম্বদি মখোয়না পুখিবনি। লাই লল্লোনবা য়াওরকপগুম্বনি। লুপা অমমমতং কৎনরম্বা লাইদু (হায়দ্রবাদ) মফম তোঙান তোঙান লুপা অহুম কৎনহৌরে। শোরাট শোনবদা পৈশা পংকত্তা কৎপা পংথাদা থাবসি লাই নীংবনি হায়বা য়ারোই। লাই নীংবা মীনা পংবা হৌনদে, ইকোনোমি খঙদবা মীদি লাই নীংলবনি হায়বা য়ানীংদে। 'লোয়নবা-মপান-থোকপা' হায়বসু লৈরি, লাই খঙদনা পংখু খুরুম্বা তাগদৌরিবনি। মপানগী লাই খুরুল্লিঙৈ মশাগী লাই হাৎলিবনি, পৈশাসু পীথোকখ্রিবনি। মুৎনবা শিনবা হায়রিবসি মসিবুনি।

থৱায়বু লাইনি হায়বসু লৈরিবনি, দ্রগ চাশিল্লিবসি লাই হাৎলিবনি, ইশানা ইশা শিজনবা শিল্লিবনি। মুৎপা তারকপদুনি। লাইদা য়ু কৎলিবসি মুৎনবা শাজৎনি। লাই অমনা য়ুবু কয়া য়াম্না থকপা ঙম্বগে? লাইগী মমিংদা য়ু শুংলিবা খুনফমশিংদা হংদ্রবদি খঙবা ৱাগদৌরি। মতমগী লৈঙাক অমা লৈরবসু য়ু শুংবা, য়ু য়োনবগী ৱারোইশিন পুরকপা ঙমদ্রিবসি লাইনা য়েৎলি হায়বা তারক্লি। লাইনা টেঙ্কি খিল্লগা থকপ হৌনদে, ফারগা হৈদোক্লরিবা ময়ামসিনা তাক্লিবদি মীনা থকপগী মীনা লল্লোনবগীনি খঙই। লাইদা তায়নবসি, লাই মীনম চাবনি। লাইনা য়ুয়ামসি থকপা হৌনদে। য়ুঙাং ময়াম ফোংনা য়োল্লিবসিদি মীওইবনা থক্লবনি হায়বা অদুমক খঙই। মদুদদি লাইনসু য়েত্তে, লাইনসু শৌগত্তে। লাইনা য়ু ময়াম শুংহল্লগা পীথক্লিবসি য়ুগী লাইদুনা মীয়ামসি হাৎনবা, মুৎনবা শিল্লিবা তারক্কদৌরি। মুৎনবা লাইদু লাৎলবদি মুৎপা মশানা তারকই।

অশেংবগীদদি য়ুয়াম শুংবগা লাইগা মরী লৈনরমদৌবা মান্দে। লাই হরাউফম অয়াম্বা য়ু থকচিল্লগা ঙাওশিন্নবা য়াখিদ্রে। অফবা অমনি।

লাই হরাউবগী থৌরমদবু লাই নীংবগী মতাংসি কদায়ৱায়দা য়াওবগে ? খুরুম্বদুদি অয়াম্বনা নীবগীনি হায়বা খঙনৈ। নীবগা, খুরুম্বগা, নীংবগা খেন্নগদৌরিবা ওইরমগনি খল্লি। য়ু থকচিল্লগা ঙাওরি-ঙাওরি লাই খুরুম্বা উখ্রে, মানবু হেন্না মপূকচেল শেংলমদৌবা মাল্লকই। মিনিষ্টিরনা খুরুম্বদুনা ভোটকী মাল্লি, থিকাদারনা খুরুম্বদুনা বিলগী মাল্লি, হনুবা হনুবীনা খুরুম্বনা পুন্সি শাংনবা মাল্লি, মহৈ তল্লিবা অঙাংশিংনা কোলোম কৎলগা খুরুম্বসু উরে। মদুনা পরিক্ষাদা ইরবদি পাউখুম চুমগদ্রা খঙদে। লাইনা ময়ামসিদা তৌবিরিবসিবু করিনো খঙজিল্লক্ত্রে হায়রিবা। লৌ উবা, হৈরা থাবদদি কয়া থৱায় য়াওনদে, লৈরগা লাইদা কৎপদি থৱায় য়াম্না য়াওনৈ। মদুমক য়াওনদ্রবদি লাইগী থৌরাংশিংসি ইফ-ফজবা ঙমদবসু য়ারিবনি। লৈঙাক্তনা লাই হরাওবা ফজবা ঙম্লোই, মপান্দগী পুশিল্লক্লিবা হৈ-রা ময়ামসি কৎলবদি লাইনসু শাওবা তৌদেনে, লাইশু পংকত্তা কৎলবদি পংহাদা হরাউরব্রা খঙদ্রে। য়েৎনরিবা ময়ামসিদি মীগা মীগনি। লাইন হরাউফম অমদি ম্যোন্মারনা মুনখ্রে হায়বসু লৈরি। রামগী পোকফম মুন্নবা অদুম হায়নদি মুন্নবা ঙমগদৌবা মান্দে। লাইদি নীংবা মীনা হায়বমখৈ য়াবা হায়বসিসু লাই নীংদবা তারক্কদৌরিবনি। লাই নীংলা নীংলগা মুৎখিবা তারবদি লাই নীংবগী মওংদু লানবা ওইরম্বা য়ারিবনি। হরাউর-হরাউরগা মুৎখিবা তারবদি মমৈদদি লাইদু হরাউবিনবা কনাসু লৈরোই। মতম অদুদদি লাইদুনা করি হায়গদৌরি, ইরায় লায়না মানা তৌবনা মানা ফংজবনি হায়রকপসু য়ারিবনি।

মৈতৈ ঙাক্তনা চর্চ অমা লীংখৎপদি উরে, মৈতৈ-পাঙলদি য়াওবা উদে। বিহারী ঙাক্তনা লাই হরাউরকপসু য়ারিবনি। পঞ্জাবী ঙাক্তদা লাই হরাউহনবা য়াগদ্রা, করি হায়রক্কনি। লাই ময়াম পংলৌদা লৌশিনবসিবু লাই খঙবনি হায়গদৌরিব্রা, লাই নীংবনি হায়গদৌরিব্রা? লাইসি হোংল হোংলগা নীংবনা নীংবদু থুংবা হেনগদৌরিব্রা? লাই ময়ামগী ফেষ্টিবেল অমা পোঙথোক য়ারক্লগনি খল্লি, মদুসু চাবা থকপগী ষ্টোল হাংদ্রবদি মপূং ফাবা য়াগদৌবা মান্দে। লাইগী য়ু শুংবা য়াবনিনা য়ু থকপসু য়াগদৌবসু মাল্লি। লাই হরাউবগী ফেষ্টিবেল অমদি হৌদোকপসু লৈখ্রে। লাই ময়ামগী মখল শুদবগী ৱাতনি, মালেমগী লাই ময়াম কৌবা তারকই। তৌরবদি মপূং ফানা তৌবা তারকইবদুনি। ফেষ্টিবেলদা থৱায় য়াওবা লৈঙাক অমা লৈরবনিনা লাই ময়ামদু উবসু ফংগদৌবা মাল্লক্লে। নুংঙাইরিবদি লাই ময়ামদু ৱাফংনরগা অমগা অমগা য়ানদবা, মান্নদবা ময়ামদু চমথোক্লবা অমা ফংগদৌরিবনি। মালেমদা অহানবসু ওইবা য়ারিবনি, লাই ময়ামগী সেমিনার তৌগদৌরিবনি। লাইদু উদ্রবসু মীহুৎ ময়ামদুনা ঙাঙনবদু তাবদদি শোয়দনা নুংঙাইরদৌবা ফেষ্টিবেল ওইরদৌবনি। মদুসু লাই হরাউবা কৌগদৌরিবনি। লাই ময়ামদু লাক্লবদি খ্বাইদগী মপূং ফাবা লাই হরাউবা হায়বদু ওইগদৌরিবনি। লাই ময়ামদুগী পীজ-পীথকসু ৱাগদৌবা মান্দে, শিংজু খরনা য়াগনি খল্লি । শন্দংগী মহুৎ ঙাক্রানা শিনবা, ঙাক্রাগী মহুৎ কৌজেংনা শিল্লকপা, শিল্লি লাংলিবশিংগী পৈশা মাঙদ্রগা লোইরে। লাই হরাউবা হায়বসি পৈশা মাঙবা য়াবা নত্তে, খায়জিনবদুনি মরু ওইরিবদি। থবক য়াম্মী, লাইশঙ শাগনি, লাইবুং শেমগৎকনি। লাইবুং ঙাক্তা ঙায়রক্লগনি, মীয়াম মুখৎখ্রবসু, মী য়াওদ্রমসু লাইশঙশিংদুদি ম্যুজিয়ম ওইনা লৈহৌবা ওইসনু খল্লকই। অঙাংগী স্কুল বেগ মানবা লাইশঙ মচা ময়াম য়োল্লিবসিনা তাকপদি উচি মচা য়োকপা উপুদা লৈয়ু য়াবা লাই মচা মচা ওইরম্বা তারক্লি। থায়নদি লাইসি ৱা উতোংদা হাপ্লগা থম্বগী ৱারীসু লৈরল্লিবনি। লাইনা য়াদবা লৈতে। মীনা হায়বা য়াদ্রবদি লাইসু চাবা ফংদে হায়বসু লৈরিবনি। লৈশেমলোন্দদি মী লৈত্রিঙৈদগী লাই লৈরম্লে হায়রিবসি" অনৌবা লাইশিংসিদি মী লৈত্রবদি লৈয়ু য়াগদৌবা মাল্লক্ত্রি । উপু মচা মচাগী লাইশিংসু নোংমতং ওইরবসু হরাউবা য়াওনরক্লিবনি। লাইনা ৱায় চায়রে হায়বা য়ারক্লবনি মীনা মুৎশিল্লক্লি। পাক চাউনা পাল্লম্বা কংলৈপাক্তু খুনফম খরসিদা ঙায়শিল্লক্লবনি। তাঙ্কক অসিদা লাই হরাওবা হায়বসিনা করি থৌদাং লৌরিবনো? কনানবু করিবু হায়রিবগে? মান্নরিব্রা, খেন্নরিব্রা? চুল্লিব্রা খঙদ্রে। চেল্লিবা চোঙলিবা খরগী পুন্সি লম্বী অমদি পীরে হায়বা য়ারে। খরাসিনা লাইনীং অমা হিংবা ঙম্লবনি হায়বদি য়াখিরোই খল্লি। মমুৎ তানা নৈনবদা মমুৎ তানা ৱাখল খনবা ঙম্নবা ৱাহন্থোক পীবা ৱাৎনরি।

লাই তোঙান তোঙান লাৎপা লৈকায়সু লৈরে। লাই লাৎপা হায়রিবসি পুনশিন্নবগী নত্তে, তোঙান চানবগীনি হায়বা য়ারক্লি। য়ুনিটি লৈতবশিংনা লাই লাৎলগা পুনবা হৈত্রবদি লাই লাত্তবগা ফগনি। খুন খরা চাউবা অমদদি লাইফম মরি থোকপসু য়াওরি, শাগৈ অমমমগী লাই অমমম য়েন্নবা খূনফমসু লৈরি। লাইদু শাগৈগী লাইনি হায়বগী মুন্নবসু লৈরি। অঙকপা মপা-মপূদগী ওইখিবা লাই হায়বদুনি, মুন্নবদদি ৱা অমত্তা ঙাঙদনা লৈবসু ময়াওরি। লাই মুন্নরকইবসি অচুম্বা চৎকে হায়বগীদি মান্দে, পৈশাগীসু মাল্লি, চাউবা তান্নবগী নাপলগীসু মাল্লি। লাইবুংদা ভোট তৌনবসু লৈরে, ফম মুন্নবসু লৈরে, পিবা মুন্নবসু লৈরে, পৈশা হাৎনবসু লৈরে। খৎনবগা, য়ানদবগা, মুক্লবগা মীফত্তশিংগী চায়নপুং মানবসু লৈরবনি। মসি পূম্নমক য়েংলগা লৈরিবা লাইদুবু, কমপ্লেন তৌদ্রবদি কেস চথুদে হায়বদা তাগদৌরিব্রা, মসিনা লাইবুং খরগী ৱানি, অয়াম্বা লাইবুংশিংদা নাৎ অমা ওইবগী লাইশঙ চাউনা শায়রগা লাই হরাউবগী থৌরমশিং মপূং ফানা তৌবা ময়াম অমা লৈরে। অনৌবা লাইবুং কয়া থোক্লক্লে।

মফমশিং অদুদা ঈংনা চিক্লা ঈরাং লৈতনা পানবা ঙম্নরব্রা, হুরান-চিন্থি লৈত্রবরা, মীয়ামদুগী শাজৎ চুল্লব্রা, নুংঙাই য়াইফবা য়ূম্বান চিংলব্রা? ৱাহংসিগী পাউখুম লাইনা পীরক্কদৌবা মান্দে। মীনা তৌবা ঙাক্তনি।

লাই হরাউফমদু উরগা খঙলক্কনি। পংবসু উগনি।